# লানগী অৱাবা মীশি-মীনা করিসু খন্দবা হুরানবা কয়ানি

## (মীওইবগী মপোকসিদা মীনম্বা, হুরানবা থবক তৌদনা হিংমিন্নসি)



– মুতুম শান্তি –

(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

করিনো ঐখোয়গী লৈবাকসিদা উরিবা শক্তমসিবু অফবা অমত্তা উখিদ্রে, তাখিদ্রে। ঐগী ইপোৎ ইরল খক্লা নুংঙাইনা ঈংনা-চিক্লা হিংবা ঙমদবা, মীওই মশীং য়ামশিল্লক্লি। হুরানবা হৈনবগী ৱারী অমা অহল লমন্না লীবিরম্মী। হুরানবা নুপা অমনা মহাক্কী শিনফমসি হুরানবনি, নোংমগী মী উহন্দনা হুরানবা পোৎ অমা ময়ূমদা পুশিন্দ্রবদি হৈনদবা মীনি। নুমিৎ খুদিংগী হুরানবা কোইচৎ চৎপনা মহাক্কী মথৌনি। নোংমদি হুরানবা অসিনা পোৎ অমত্তা হুরানহৌদ্রে। তূম্বা মতম য়ৌরক্লদুনা ফমুংদা চংলে, নুমিৎ অসি মহাক তূম্বা শুকয়া য়াদ্রে। তূম্বা য়ামন্দবদগী হুরানবা অসি ফমুংদগী হৌগৎলে। হুরানবা নুপা অসি ময়ূমগী কোম্থোংলোমদা থোকখ্রে। অদুগা যূমথংনবা মীগী কোম্থোংদগী ৱাশাং অমা হুরাল্লগা ময়ূমদা থমজিনখি। অদুগী মতুংদা হুরানবা নুপা অদু ফমুংদা চংদুনা তূমথখি। হুরান্দ্রবদি তূম্বা য়াদবা নুপা অদু ৱাশাং অদু হেক হুরাল্লুবদগী ফজনা তূমখ্রে।

ঙসি ঐখোয়গী লমদমসিদা লৈবাক্কী ফম্নাইবা, ফম্নাইবী অচৌ-অশাং খ্বাই পূন্নমক অসিবু ৱারী অসিগা মান্নবগুম উরি। নোংমগী হুরান্দ্রবদি তূম্বা য়াদবা য়াওরক্কনি। হৈনখিবসি য়াম্না লুবনি। হৈনখিবনি হায়না ফত্তবা থবক থাদোকপা ঙমদবা হায়বসি পাংদবগী থৌওংনি। নুংশিরবা ইচাশিংগী ৱাখল খন্থবীরগা, ঐনা অফবা তৌরগা অফবা ফংই। হায়রিবা ৱাফম অসি ঐগী ইচাদা লাক্লিবা মমি অসিনি। মমা-মপানা ইচা ফরকপদগী হেন্না নুংঙাইবসিবু করি করম্বা অমা অমুক লৈরিবগে? মীওইপোক্তা ইচা চাওরক্লগা নুংঙাইজগনি ঙাইজরকখিবা ঙাক্তনি। ঙসি উরক্লিবা শক্তমদি লমদমসিদা ইনাক খুল্লবা ইমুংদগী হৌরকপা অঙাংশিং অয়াম্বা ময়াই কাবা চিঞাক্কী ঈপাক্তা তাওখিবনা অয়াম্বা ওইরক্লি। শিখিবসু মশীং য়াম্লক্লি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা য়াম্না ফরকপা, চাওরক্লগা মমা, মপানা হায়বা ইন্দবদগী ফত্তবা অঙাং অমা ওইখিবসু লৈ। মীওইবা ঐখোয়সি অমদা নৎত্রগা অমদা হেক্তা ঐনা তৌজরুবা ইশানা হেক্তা ফংলি।

অফবা তৌবনা অফবা ফংলি, মমাঙঙৈগী মচা তরেৎ পোকপদা ওফিসর অমদি দিপার্টমেন্ট কয়াগী মকোক ওইনা ফম পায়দুনা ইমুং-মনুং নুংশি-চান্ননা ঙসি ফাওবা হিংলি। মসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি ইমুং অমগী অহল-লমন, ইমা-ইপানা হায়বা ইনবা, অঙাংনা অহলদা নোল্লুকপা, থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎপা ইমুংশিংনা ওইরি। অসিগুম্বা ইমুং অসি য়াম্না তাঙনা থোকই। তমজনীংঙাই ওইরবা, ফীদম্নফম ওইরবা ইমুংগী অহলশিং, অঙাংশিংগী মতৌবু ঐখোয় পূন্নমক্লা তন্নসি। অফবা মীগী মতৌ তম্বনা ঐখোয় পূন্নমক্কী তুংগী পুন্সিদা য়াইফবা ওইরক্কনি। চাওখৎপা খুন্নাই অমা শোয়দনা ওইহল্লসি। মীওইবগী পুন্সি অসি য়াম্না তেল্লি।

ঐখোয় মীওইবনা ইশাগী শিনফমগী মমল, হুমাং মমল খক্লা থম্মোয় শেংনা, ৱাখল তানা, শিঞ্জ-লাংজদুনা হিংবা ইমুংগী পুন্সি মহিংদি শুরোন-চারোন ফাওবা শক্ল-শোন্নরি। মীনম্বনা মমাঙ থংবা, হুরান লিচৎ চৎপা ইমুংগী পুন্সি খোঙচৎতি কনানসু উশিৎপীদে, তুক্কচনৈ। ইমুং অদুদগী থোরকপদা সনানা য়োল্লবসু, গাড়ী মমল অতাঙবা তোংলবসু মালেমগী মীপূম খুদিংনা করি খল্লমগনি খনবা ফৈ। ইকায়বা খঙদ্রবদি খঙদ্রে। ইকায় খঙদবগী হীদাক লৈতে হায়রম্বা ৱারী লৈ। ৱারী অসি শেল কা হেন্না পাম্বা, মীওইবগী ইজৎ লৈতবা ইমুংদদি লৈতে। তুংগী চারোল শুরোনগী খল্লগা ইমুংগী অহল ওইনা হিংলিবা ঐখোয় পূন্নমক্লা চেকশিন্না হিংলম্বা ওইহল্লসি।

চন্না চাবা, চন্না শেৎপা, চন্না হিংবা পুন্সি খোঙচৎতগী অহেনবা করিসু লৈতে। ইমুংগী অহলশিংগী মমীদি অঙাংদা তাবনি। অঙাং হায়বসিদি মীতৌ তম্বনা মখোয়গী শরুক্লি। অহলশিংগী ৱা ঙাঙবদা ৱাহৈ-ৱাত্তা ফজবা-ফজদবা পূন্নক অঙাংশিংনা উৎথোরক্লি। থকসি-খাসি লৈনদবা ইমুংদগী থোরকপা অঙাংশিং অফবা ওইগন্দে। জীব খুদিংমক অঙাং ওইরম্বদগী অহল ওইরকখিবা ঙাক্তনি। ঙসিগী নহা ওইরিবা অমদি পীক্লিবা অঙাংশিংগী তুংদা হিংলক্কদবা লম্বী হৌজিক্কী অহল-লমন্না শেন্লম্বা হায়বসি তঙাইফদে। ঐখোয়না ঙসি ৱারিবসি মমাঙঙৈগী অমদি হৌজিক্কী লমজিংবশিং, মীয়ামগীদমক করিসু খন্দবা, মৈতাল অশিবা হায়বদুমক্লি। মীয়াম্না লমদমসিগী কখোকপা ঙম্বা, লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈবা, লোল খঙবা, পোঙথোক চাওথোকপা য়াওদবা, মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা, ইমা লৈবাক্কীদমক শিবা ঙম্বা মীওই খন্দোকপা মথৌ তারক্লি।

ঐখোয়গী য়েলহৌমীগী দল (পার্টি) অমগী মখাদা ফম্নাইবা ওইহনবনা ঐখোয়গী ইরমদম অমদি মীতৈ ফূরুপ কনবদা অচৌবা থৌদাং ওইরসি হায়বা ৱাফম অসিমতং থমজরি। নেসনল পার্টিদা মতম শাংনা, মীখা পোন্না হিংলকপদা অৱাবতনা শরুক ওইরকপদা চোকথরবা মীতৈ খুন্নাইনি হায়বসি কাউফদে। মশাগী ওইবা পার্টিদা লৈবাক ঙাক্লিবা ষ্টেটশিংনা ফংফম থোকপা চাকথুং চপ চানা ফংই। ঈংনা-তপ্না পাল্লি। নুংশিজরবা মীয়াম পুনশিন্দুনা অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বগী মরুমদা ঐখোয়গী লৈবাকসিগী পার্টিদা ঐখোয়গী মীয়াম্না অফবা মী পুথোকমিন্নসি, মীরেপ ওইহনসি।

মিজোরামগী সী এমনা মশাগী ষ্টেটকী পার্টিনা লৈঙাক শেন্লুবনা য়াম্না উশিৎতনা, য়াম্না থীনা পাউচেগী লমায়দা ইরকখিবদা মীয়াম করি খনবীবগে? মিজোরামদি মখোয়গী ষ্টেটকী পার্টিদা মতিক চানা লৈবাক ঙাকপনা মখৌ পোংনা লাউথোরকপা ঙল্লিবনি। ৱাহৈদি :- মিজোরামদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী নিরগা চাদে, নখোয় মণিপুরগী সী এম দি ‘জি সার’, ‘য়েস সার’ হায়রগা হিংবনি। ৱাহৈ খরা অসি তাবদা ঐখোয় মীয়াম্না ‘ঐখোয় করি তৌগনি’ হৌজিক্কী লৈরিবা ফীভমসিদা অমদি তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তা। মীতৈ খুন্নাই ঐখোয় পূম্বা হন্দক্কী মতাং অসি খোঙফম চেৎনা ৱাখল মুন্না খন্থমিন্নদুনা অরেপ্পা অচেৎপা থাজনবা অমা থমহৌরসি। নৎত্রবদি ঐখোয়গী লৈবাক অসি মচেৎ কয়া থোক্লা কায়খিবা য়ানা লৈরবা ইরমদম অমা ওইরে। মীয়াম্না খঙলে মদুদি ঐখোয়গী লুচিংবা কয়া অসিদি লাইরিক-লাইশু নীংথিনা হৈতবা, লৈবাক ঙাকপগী পোরম য়াৎপা হৈতবা, চৌক্রিনা মীয়ামদগী হেন্না মমল লৈবা, কয়া অসিনা মীতৈ ফূরুপ অসি মূৎখিবা য়াবগী চাউরবা খুদম উরে।

হন্দক্কী কুকিশিংনা হৌরক্লিবা লান অসিদা মরাল লৈজদবা মীচম মীয়ামগী পুন্সি পিখম্নহল্লিবা, যূম-কৈ মৈ থাদোক্লিবা খুদিংমক মীচম মীয়ামগী করি মরালনো? লৈঙাক পায়রিবা মীহুৎশিংনা লৈবাক্কী, তুংগী মীরোলগী করিসু খন্দ্রে হায়বসি ময়েক শেংলে। লাল্লিবদি ঐখোয়নি। মীখলদা শেল য়েনবা, চাকচা হৈজানবা য়াম্না পাম্লুবা, ভোট লেপ্পা থোরক্লিবা মীওইশিংনা মেজিক তৌবা, থম্মায়বীবা, মীয়াম্বু পঙথহনবা অসিদা শোয়খিবা ঙাক্তনি। ইচা ময়াম্না মফম মরাং খঙদনা মথৱায় মাঙখ্রবদা মাঙলিবসি মীতৈ ফূরুপ ঐখোয়খক্তগীনি। খুন্দামিন্নরিবা করম্বা ফূরুপ অমত্তনা মীতৈগীদমক থম্মোয় শেংনা মতেং পাংলকখিবগে? ঐখোয় চেকশিনসি, কনাসু লৈতে চেকশিল্লক্লবা মতমদা।

মীতৈ পোকপী ইমাগী লমন শীংবনা ঐখোয়গী ইথৌদাং ওইরসি। লৈবাক ঙাকপগী মগুন মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদ্রবা মীহুৎশিংনা ইচাশিংবু মৈরানবীনা মৈরিদা চোংশিন্দুনা মথ্বায় মাঙহখিবা নৎত্রা? মখোয়না ইচাশিং অমুক হিঙ্গৎহনবা য়াখিগদ্রা? অমাঙবা খক্তনা মীতৈ ঐখোয়গী শরুক ওইরি। মমল য়াম্লবা, তাঙলবা মপারি কয়াবু তাইবঙ মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীয়ু হায়না খুরুমজরি। পুন্সিগী মমল খঙনা, থৌনা লৈনা হিংজবনা মীতৈ ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা ৱাশক ওইরসি। মীঙোন্দগী মীখা পোন্না নিরগা চাবগী মহুত্তা ইরোমদোম থবক কন্না শূদুনা নোংমখক্তা ওইরবসু হিংলমসি। মীয়াম খঙহন্দনা মীহুৎশিংনা তৌরম্লিবা, কুকিশিংবু য়েলহৌমীনি হায়না গেজেট নোটিস ফোঙদোক্লম্লে। কুকিলেন্দ তাল্লক্লে। ‘সূ’ দা ইনরিবা গ্রাউন্দ রুল থুগাইবা ঙসিগী সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈখ্রে। ফৎত্রবা কুকিশিংগী মখূত্তা মমল য়াম্লবা ইচা কয়া হাৎখ্রে। মীয়াম্না শেন্বা লৈঙাক অসি উক্রোং অহোবা লৈঙাক ওইরে। লোইজি-লোইয়াদা লৈরিবা মীতৈ মচা পূন্নমক ৱাবনা খম থেংলে। ঐখোয় মীয়াম্না করি শোয়খিবগীনো, করি লানখিবদগী ওইরক্লিবা শক্তমনো? হৌখিবনা করিনো, হৌজিক্কী শক্তম্না করিনো, তুংদা ওইরক্কদবনা করিনো? মীয়ামগী মফমদা খঞ্জবা ৱাখল অমত্তং নীংশিংজরি মদুদি লুচিংবশিংগী ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা শক্তম অসিনা মাঙদা চিংশিনমিন্নসি। মখোয়সু মীতৈ মচা ঙাক্তনি। মতম খরগী তুংদা ঐখোয় অহলগী মতম ওইরক্লবা মতমদা শিখ্রগনি। তুংগী ইচাশিং করম্না হিংহৌগনি হায়বসি য়াম্না লুবা তাঙ্কক্লি।

চহী খরগী তুংদা মীতৈ অসি মাইনোরিটি তারকখ্রবদি ঐখোয় মীতৈগী এম এল এ অনী/অহুমখক লৈরকপা মতম অমা লাক্কদ্রা হায়বসিনি। ঙসিগী মীতৈ অঙাংশিং অসিগী পুন্সিদি কদোমদনো? ফৎত্রবা মীওইশিং, লৈবাক অসি পাল্লিবা ফূরুপ কয়ানি। ফূরুপশিং অদুগী মখাদা মীনাই-নাইথাং ওইনা পুন্সি করম্না হিংগনি হায়বসি ঙসিগী অহল-লমন খ্বাই পূন্নমক্লা খন্থমিন্নসি। মীশিং য়ামজদ্রবা মীতৈ মচাশিংনা মতম অদুদা ৱারীনগনি। মমাঙঙৈ ঐখোয়গী মীতৈগী লমদম ওইনা লৈজরম্বা ইমা লৈবাক মণিপুরনি। ঐখোয়না ঙসি ওইরিবা ফীভম অসি নিংথৌশিংনা মীতোপ লাকপা খুদিংমক চংজফম পীরম্বা, অমনা ইন্দিয়াদা তিন্দুনা দেমোক্রেসি হায়বা মীয়াম্না খনবা মীদা লৈবাক ঙাকপগী চৎনবী লাকখি। মদুদগী মীনম্বা কয়ানা পীক থনবা লৈবাক অমাওইরকখি। ভোট থাদবগী মওং অসি অরানবা কয়া কয়া তৌদুনা লাকপদগী শোয়রকখিবনি। মীরেপশিং অদুনা মীকোক খুদিংগী শেল ময়াম পীদুনা ভোট খোমখি, থাদহনখি। মীরেপ ওইরিবদুনা শেল পীরবা মতুংদা মশা পায়দুনা ‘ঐঙোন্দা ভোট শোয়দনা পীগনি’ ৱাশকহনখি অসিনচিংবা ৱারী ময়াম লিনদুনা তপ্না তপ্না মীতৈ মূৎখিগদ্রা হায়বসি মাঙদা তাদুনা লৈরে।

লমহেনবা কুকিশিংনা ঐখোয়বু মীৎকপ থোকহল্লে। পুক ফবগী শরুক ফংদে হায়বদুমক্লি। তুংদা লাক্কদববু মীতৈ ঐখোয়না ৱাখল শান্না খন্থমিন্নবা, থবক ওইনা পাঙথোক্লম্বনা ইমা লৈবাক কনবা ঙমগনি। মীদিয়াদা অখঙ অহৈ কয়ানা ঙাঙবা তাবদা য়াম্না নুংঙাইজে, চাউথোকচৈ। তৌইগুম্বসুং থবক ওইনদি পাঙথোকপীদে। ঙাঙলগা অসুম লৈবনা য়ারগদ্রা? চিনগা, খূৎকদি য়াম্না খেন্নৈ। অরোন-অথুপ লৈতে। দোং দোং ঙাঙথোকখিবনা মীতোপ্পা লৌশিং ওইরক্লি। মরোল নায়না চৎপা হৈজদবা পুক ফরুবগী নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লি। লৈখা তারবা পুন্সিবু করম্বা খোঙথাংনা কনগনি।

মণিপুরগী এম পি অনী, এম এল এ ৪০দা পীরক্লিবা চৈথেং মণিপুর মীয়াম্বু করিসু নত্তে খনবগীনি। মীয়ামদনি তাম্থোরক্লিবা কনাদসু নত্তে নুংশিজরবা মীতৈ ইচিল ইনাওশিং। মথৌনা লৈত্রবা মীহুৎশিং, চৌক্রি লৌথোকপীখিনি খনবদা ৱাহৈ অমা ফাওবা পাউখুম পীরমখিদে। মীগা মীগা করি খেন্নবগে? মখোয়না মমিৎ অহুম পানব্রা? নেসনল পার্টিগী মর্কা পামজবশিংনা অমুক হন্না লমদমসিদা ভোট লেপ্পদা মীয়াম্না মমল য়াম্লবা ভোটকী রাইট পীরগুমসি। মীয়াম্না মীহুৎ খনবদা মীতোপ মীয়ানচা ময়াম্না শা-ষণ তান্ননবা খনখিবা মীহুৎ নত্তে। ইকায়বা হায়বা মায় অদু পাল্লম্লবদি নশানা খঙনা কেন্দিদেট ওইনা থোকপীরক্লগনু। চৌক্রি কোল্লিবা এম এল এশিংনা লৌগী মতমদা লৌমীশিংদগী শেন্দোং চাদুনা দুকান্দারশিংনা লৌ পাট্টা, আধার কার্দ খোল্লিবসি কনাগী থৌইনশিন্নো? এ সী খুদিংদা লৌমীশিংগী মখূৎতা য়ৌনবা পোরম শিনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো? লৌমী নুংশিবা ঙমদবা খুদিংমক্লা মীয়ামদা মেজিক তৌবা মতম লোইরে ইম্ফাল ইষ্টকী লৌ শঙম মঙা উবা লৌমী অমদা যুরিয়া বেগ তঙ্খাই অমা (কেজি ২৫) খক পীরি। অঙকপা লমদম অমগী শক্তম অসিবু খাঙদুনা হিংলি মীয়াম্না। লৈঙাক্কী যুরিয়া বেগ অমগী মমল লুপা ২৬৬.৮০, মুক্তা পৱার বেগ অমগী মমল লুপা ১৫০নি, কদায়দা মমল কয়া য়োন্নরি হায়বসি মীয়াম ৱাখল খন্থবীয়ু। অৱাবা তারবা মীতৈ ইচিল-ইনাওশিং, লৌমীশিং খ্বাই পূন্নমকপু অইবীনা খুরুমজরি। ●

# আইনগী মীৎয়েংদা : এসেমব্লি মীফম কৌবা

- টি ঐচ কামিনিকুমার -

ঙসিগী মণিপুরদা তূমিন্না লোৎতুনা, খাঙদুনা, য়েংদুনা লৈঙমদ্রে। মপু পান্দ্রবা, শম্বল খাদ্রবা ইঞ্জোলদগী থোরকপী নুজানা অফ-ফত্ত খঙদনা তৌনীংবতা তৌদুনা মনীং মখা তম্না লৈবগুমখ্রে ঐগী নুংশিরবী ইমা মণিপুর ঙসিদি। কনানসু ফৈ-ফত্তে তৌগনু হায়বিনবা লৈত্রে। পূম্নৈ নৈরে মণিপুর পূম্বা, করিবু লৌখৎনীংঙাই লৈরিবগে? মসিমদি ফরি হায়বা করিবু লৈরিবগে? থৌদাং লৌফম থোকপা মীওই খুদিংসু মমিৎ উখিদ্রে, মনা তাখিদ্রে, মরোল থোকখিদ্রে। মসিনা ঙসিগী মণিপুর ইমা নঙগী নরাইবক কয়াদা ৱানা খাঙলিবা, য়েংঙমদ্রে-য়েংঙমদ্রে।

অৱা-অনা, মীকপ-মীরাওখোল, হাৎন-শূনবা লেপ্পা লৈত্রে। অসিগুল্লবা মতম অসিদা মণিপুরদা ফোঙ-ফোঙ শারিবা পাউ অমদি ওগষ্ট ২৯, ২০২৩দগী হৌগদবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৪শুবা মীফমসি কৌবগা মরী লৈনবা পাউনা ওইরি। তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা মাগী মাগী ওইবা মোত পীনবা মীয়াম্না থেংনরি অমসুং তারি।

আইনগী ওইবা মীৎয়েংদগী অসিগুল্লবা ৪শুবা মীফম কৌবগী মতাংদা করি লৈবগে খন্ন-নৈনবা মতাং চাই। অহানবদা, ষ্টেট অমগীদি লেজিসলেটিভ এসেমব্লি হায়না খঙনরিবা মফমসিদা মীয়াম্না খল্লবা মীহুৎশিংনা পুন্দুনা লৈবাক্কী ওইবা চাওখৎ থৌরাং, ৱাথোক লাম্থোক্লচিংবগী খন্ন-নৈনবগী অমত্তা ঙাইরবা মফমনি। অসুম্না খন্ন-নৈনবা তৌনবগীদমক এসেমব্লি মীফম কৌরগা চথে। মসিগীদমক ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা এসেমব্লি কৌবগী ৱারোল য়াওরি। কন্সটিট্যুসনননা এসেমব্লি কৌবগী পীরিবা ৱারোলগী ৱাংমদা নৎত্রগা ঙাক্লা চৎত্রবদি কন্সটিট্যুসনগী ওইবা অচৌবা ৱাথোক ওই।

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৭৪গী ক্লোজ ১গী মতুংইন্না ষ্টেট অমগী গভর্ণর নৎত্রগা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা এসেমব্লি মীফম কৌবা ঙম্বগী হক অমসুং শক্তি পীদে। মথংদা মরু ওইবা ৱাফম অমনা গভর্ণরনা কৌগদৌরিবা মীফমদুগী হৌগদবা নুমিৎতু মমাঙগী মীফমগী অরোইবা ওইনা ফমখিবা নুমিৎ অদুগী মরক্তা থা ৬ ওইবা য়াদে। হায়বদি থা ৬ ফাদ্রিঙৈদা এসেমব্লিগী মীফম অদু কৌগনি। থা ৬কী ৱাফম অসি কায়রবদি কন্সটিট্যুসনগী ওইবা অচৌবা ৱাথোক ওই।

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৭৪ (১) দা গভর্ণরনা এসেমব্লিগী মীফম কৌগনি হায়জরগসু গভর্ণরনা মশা মথন্তনা লৌজবা ৱারেপ্পা এসেমব্লি মীফম কৌবদি ঙমদে। মসিগী মরমদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬৩গী মতুংইন্না গভর্ণরনা মশাগী ওইবা ৱারেপ্পা পাঙথোকপা য়াবা মথৌ মঙমখক নত্তনা গভর্ণরগী অতৈ মথৌ মঙম পূন্নমক চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা কেবিনেটকী পাউতাক মতুংইন্না পাঙথোক্কনি।

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২০৮গী মখাদা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা মশাগী ওইবা থবক থৌদাং পাঙথোক্লবা ‘রুলস’ শেম্নবা শক্তি পী। হায়রিবা শক্তি অসিগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগীসু ‘রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস ইন মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি’ শেমখ্রে।

হায়রিবা এসেমব্লি রুলস অসিগী রুল ৪ (২) গী মতুংইন্না এসেমব্লিগী মীফম ফম্নবা লেপ্লিবা নুমিৎ অদুদগী নুমিৎ ১৫ ঙনখৎনা মেম্বরশিংদা এসেমব্লিগী মীফম ফমগদবা মফম অমসুং মতম খঙহনবা সমন এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা পীগনি। রুল ৪ (২) গী মতুংইন্নদি এসেমব্লি মীফম ফম্নবগী ৱারেপ অসি মীফম ফম্নবা লেপ্লিবা মতম অদুদগী নুমিৎ ১৫নি মমাঙদা লৌ হায়বা ৱাফমনি। লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মথৌদি গভর্ণরনা আর্টিকল ১৭৪ (১) গী মখাদা মীফম ফম্নবা লেপ্পা মতম অদুদা মীফম পাঙথোকপনা ওইগনি। ‘নুমিৎ ১৫’ নিগী ৱাফম্না মরম ওইরগা মীফম ফম্নবা কৌবগী ওর্দর অশোয়বা লৈরে হায়বা য়াদে। মসিগীসু মথক্তা রুল ৪ (২) গী প্রোভিজনননা অতেনবা মতমগী মনুংদা নৎত্রগা অথু-অকায়গী ওইনা কৌবা মীফমগী মরমদা শুগাইনা তাক্লি। প্রোভিজনগী মতুংইন্না মেম্বরশিংদা তোঙান তোঙান্না এসেমব্লি কৌবগী সমন পীবগী মথৌ তাদে অমসুং মীফমগী মফম, মতম লাউথোকপদু গেজেটতা ফোঙগনি অমসুং প্রেসতা পাউ পীগনি অমসুং মেম্বরশিংদা টেলিগ্রাম থাদুনা খঙহন্নবা য়াওরি। ৱাফম অসি এসেমব্লিগী মীফম খুদিংমক্তা চৎনবা য়াই। ৱাফম অমনা মেম্বরশিংদা এসেমব্লি ফম্বগী সমন থানবা ফংবা মতমগী মতুংইন্না মীফম অদুগী মমিং থোন্নবা মরম লৈতে। করিগুম্বা অকক্লবা ৱাফম, হীরম অমা খন্ননবগীদমক এসেমব্লিগী মীফম পাঙথোকপা য়াই। অসিগুম্বা ফম্বা মীফমদদি অতোপ্পা ৱাফম, হীরম খন্নবা তৌনদে। মীফম অসিবু মীয়াম্না ‘স্পেসল নৎত্রগা অথু-অকায়গী ওইবা মীফম’ হায়না কৌনৈ। রুল ৩৬১গী মখাদা ‘অরোনবা মীফম’ ফম্নবগী ৱাফমদি লৈ। মসি নত্তনা অতোপ্পা মমিং থোনবা মীফমগী ৱাদি থেংনদে। অদুবু রুল ১৭ (এ) না মরম ওইরগা গভর্ণরনা এমেসব্লি মীফম কৌগদবনি হায়না লৌবদা আইনগী ওইবা য়েৎনবা লৈগনি। লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা শেমজবা রুলসনা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ৱারোল নাথৈবা ঙমদে। কন্সটিট্যুসননা গভর্ণরদা পীরিবা শক্তি অসি এসেমব্লিগী মীফম কৌনবা ৱাফমনি। অসুম হায়না মীফম কৌরগদি মীফমদু অচুম্বা মমিং পীদুনা খঙনগনি হায়বা ৱাফম কন্সটিট্যুসনদা য়াওদে।

৪শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম কৌবগী মতাংদা লৈরিবা ৱাফমদা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চরাংনবা থোকপগী মরম উবা ফংদে। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা পনবা য়াবদি এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা মেম্বরশিংদা ৪শুবা মীফম কৌনবগী সমন থানবা নুমিৎ ১৫নিগী মতম ফংদে অদুনা মীফম অসি ‘নোর্মেল মীফম’ নত্তে, স্পেসল মীফমনি হায়বা য়ারোই।

এসেমব্লিগী মীফম খুদিংমক ‘নুমিৎ ১৫’ নিগী মতম ফংদবা ওইরগদি নোর্মেল মীফম ওইরোই হায়বা তারগদি প্রোভিজননা পীরিবা ‘এগজেম্পসন’ গী ওইবা ৱাফম অসি শীজিন্নবা য়াদে হায়বনি। প্রোভিজননা পীরিবা ৱাফমদি করিগুম্বা নুমিৎ ১৫নিগী মতম ফংদবা মীফমগীদমক অসুম্না চথুবা য়ানবা পীবা ৱাফমনি। মসি এসেমব্লিগী মীফম ফম্নবা কৌবা মীফম খুদিংমক্তা চৎনবা য়াই।

৪শুবা এসেমব্লিগী মীফম কৌবগী মতাংদা ৱাফম খরা পঞ্জগে মদুদি অহানবা ওইনা ষ্টেট কেবিনেটনা এসেমব্লিগী ৪শুবা মীফম ওগষ্ট ২১, ২০২৩দা ফম্নবা তৌবিয়ু হায়দুনা গভর্ণরদা রেকমেন্দ তৌখি। গভর্ণরনা মীফম অদু ওগষ্ট ২১, ২০২৩দা ফম্নবা আর্টিকল ১৭৪ (১) গী মখাদা ওর্দর থোকখিদ্রে। তুংদা ওগষ্ট ২১, ২০২৩দা ফমখিবা কেবিনেটকী ৱারেপ অমগী মতুংইন্না গভর্ণরনা ওগষ্ট ২৯, ২০২৩দা এসেমব্লিগী মীফম ফম্লগনি হায়না ওর্দর থোকখি। ওগষ্ট ২৯, ২০২৩গী এসেমব্লিগী মীফম ফম্নবগী ওর্দর থোকখিবদগীদি মণিপুরদা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা অচৌবা ৱাথোক অমদি লৈহনখিদ্রে। করিগুম্বা সেপ্টেম্বর ২, ২০২৩গী মমাঙদা এসেমব্লিগী মীফম ফম্বা ঙল্লমদ্রবদি মণিপুরদা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ৱাথোক অমা লাক্লমগনি। ওগষ্ট ২৯, ২০২৩দা কৌরিবা মীফমসি ‘নুমিৎ ১৫’ নিগী ৱাফম ঙাক্তে, অদুনা ‘নোর্মেল মীফম’ নত্তে হায়রিবা অসি আইনগী ওইবা মীৎয়েংদদি অচুম্বা নত্তে। ওগষ্ট ২৯, ২০২৩দা কৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীফমসি কন্সটিট্যুসননা য়াবা মীফম ওইগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১) **“লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবা অমসুং শেম শাদুনা পুথোরকপনো?

২) **“পাউখুম”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **“ইমানা ঙায়রি থোঙ্গালদা লেপ্তুনা/লাকপরা য়েংলি মীৎয়েংগী পোইরৈদা/ নোংমগী চরা লাঙলিবা খূদিং/নীংশিংলি নঙবু শিন্থরি পীরাং।”** ঈশৈ ময়েক অসি শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **“ঐগী পুন্সি অমসুং মণিপুর (লন্নাইগী ৱারী অমা)”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **“সাহেবকী থৌজাল”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, যূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হৌ ইরা লাকখ্রে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মালেম তাইবঙপাল অসি ওনবগী মতম লাকখ্রে। মরম অদুনা ওনবা হায়বা অসি ময়েক্লা তাবদা শোয়দনা ওল্লগনি। য়েনবীনা য়েরুম কোনবদা নুমিৎ ২১নিদা ওনবগুম ওন্দ্রগা মাবগুম ওইগনি। মৈতৈসু ওনবগী মতম লাক্লে।

মতমগী খোঙলৈনা পীরক্লিবা ওনবগী মচাকশিং : (১) তাইবঙপাল অসিদা থোরক্লিবা নুমিৎ অসি মচেৎ অমা কায়বগী মমি তারক্লিবা (২) থৱায়গী হৌফম ওইরিবা থাগী অহোংবা লাক্লিবা খুদম ওইনা হায়বদা রাধাখোং শোয়নরক্লিবা হায়বদি - থাদা খূৎলায় চাংয়েংফম ওইদুনা থানা থারকপা থৱায়দা অশোয়বা লৈরিবা (৩) অঙৈং-অশাগী খল কায়রক্লিবশিং (৪) থৱায় পানবগী থৱায় ওইরিবা উপাল ৱাপাল খল মাঙলক্লিবা (৫) মীওইববু হিংহনবা, নুংশিনবা অমদি থৱায়বু কন্ননবা শেন্লম্বা লাইনিংনা চাইনপুং ওইরক্লিবা (৬) লৈবাক্কী অঙম অথৌ তান্নবা থোক্লিবা অৱাবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীওইবা হায়বা অসি ওনবগী মথৌ তারক্লিবনি।

লমদম অসিদা হৌ ইরা অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারী ১২দা লাকখ্রে। হৌ ইরা হায়বদি ময়েক্লা তাবা ইরা হায়বনি। অমরোমদা অমুক হায়রগা লাইগী মতম হায়বদি লাইরোলগী মতম হায়বনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না নীংশিংবা য়াই মদুদি মীওইবা ঐখোয় অসি লাইগা-মীগা লৈমিন্নরম্মী অদুবু মীওইবনা মচিন থিবদগী লাইগা মীগা কায়নখি।

হন্দক মে ৩দা থোকখিবা মৈতৈ-কুকি জো অনীগী লান অসি মৈতৈ খক্কী মথক্তা তৌবা লাননি হায়বদা লানগনি, লান অসিদি মৈতৈ কাঙবুগা লাইরোল-হৌলোল খঙদবা মীওই কাঙলূপকা শোক্লবা অচৌবা লাননি। লান অসি অরাইবা অমসুং থুনা লোইগদবা লান নত্তে। খুদম অমা পীরবদা হিন্দুশিংনা তৎতনা শোল্লিবা সত্য-যুগ লাক্লগনি হায়রগা সত্যগী ওন্নবদা অরানবা কয়া তৌরিবা অসিসু লান অসিগী মনুং চল্লিবা অমনি হায়বদি - হায়বনা অমা তৌবনা অমা তৌরিবা অসি অচৌবা লান অমনি।

লান অসি খনবগা, তৌবগা অমসুং চৎপগা অহুম অসি মান্নরবা মতমদা লান লোইগনি। হায়বদি জষ্টিস, লভ এন্দ পিছ অহুম অসি ময়েক্লা তাবদা খনবা, তৌবা অমদি চৎপদা ঐখোয়গী লান অসি লোইখিনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না কাউবা য়াদ্রবা পাউরৌ অমা হায়বদি - ‘লোননা ইমানি, ময়েক্লা ইপানি’ হায়বা অসিনি। লাইরোলদা ‘হৈনা’ বু লোল কৌই। ঐখোয়না হৈনা চৎলবদি মায় পাকই। হৈনা হায়বা অসি হৌলোলদা মতিং লৈবা পাখংবনা অথোইবা খ্বাইদগী চাওবা লাই ওইববু হৈনা কৌই। হন্দক্কী লান অসি ইমা ৭তা অসুপ্পা মপুনা শিনখিবগী খোঙলৈ পীরি। ইমাশিংগী পাম্বোম নম্বীনবা মালেমদা ফত্তবা লাই লৈত্রি।

ৱাফম অসি লৈবনা লোলনা ইমানি হায়বা অসি কাউফদে। লোল খঙনা লালোং য়াৎপা তাই। নৎত্রবদি লান মতম চংগনি অমসুং মীশি মীনা, মাঙ-তাকপা য়ামগনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না নীংশিংবা য়াবা মতমগী খোঙলৈ অমা পল্লবদা ‘তাঙ্কক অদু য়ৌরবদি য়ংমাগী অরোইবা তানথানে- নুংশিনা চেৎনা চাননা কাইনরগদবনে’।

হৌলোলদা লন- হায়বদি মপুদগী লাক্লিবা অদুনা অথোইবা লাই ওইববু লন কৌই। মালেম তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা মীওইবা ঐখোয়গী শক্তম মান্নৈ; মরম অদুনা ময়েক মানফম থোকই। ময়েক্লা মানরবদি লোল মানফম থোকই। লোল হায়বদি ময়েক্লা চৎপবু কৌই।

অরোইবা ওইনা থমজনীংলিবদি - লমদম অসিগী ইমাশিংনা ঙসি মালেম অসিদা থোক্লিবা লান অসি ময়েক্লা তাবদা তাইদুনা ঐখোয়গী লৈবাক অমসুং তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থোক্লিবশিং অসি ঙমদাইবীনবা অসুপ্পা মপুদা থৌনিজরি।

**অদোমগী - চোংথাম মাংলং, ময়েক্লা তাবা শন্দোকপা লূপ, লম্বোইখোংনাংখোঙ**

**ওন্নখিবা**

পাউচে অসিগী ওগষ্ট ২৪গী লমায় অসিদা ফোঙখিবা *এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ অতৈ* হায়বা অদুদা য়াওখিবা লৈঙাক্কী যুরিয়া হার মমল তাঙনা দুকান্দারশিংনা .....গী ৩শুবা অমদি ৫শুবা পেরগ্রাফশিংদা য়াওখিবা *লৈঙাক্কী মমল ‘যুরিয়া’ বেগ অমদা মমল লুপা ২৬১.৮০ পীরি* হায়খিবা মমলশিং অদু **লুপা ২৬৬.৮০** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।-**প্রুফ রিদর**